নুমীৎ মঙানিগী কষ্টদি পীখ্রে

ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ০৫ (এজেন্সী): সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই) গী স্পেসল কোর্টনা অগষ্টতা ৱেষ্টলেন্দ কেসকা মরী লৈননা বৃটিশ মচা খৃষ্টিয়ন মিচেলবু নুমীৎ মঙানি সী বি আইগী কষ্টদিদা থম্নবা খঙহনখ্রে।

স্পেসল কোর্টতা হিয়ারিং চথরিঙৈদা সী বি আইগী কাউন্সেলনা হায়খি, ইনভেষ্টিসন চথবা লোইদ্রিবা মরম্না কেস অসিদা মপুং ওইনা চেন্নবা মিচেলবু কষ্টদিদা থমদুনা ৱাহং পাউহং চথবা মথৌ তাই। মিচেলনসু স্পেসল কোর্টতা বেল পীবীনবা ৱাকৎ অমা পীশিনখি। মথংগী হিয়ারিংদা বেল পিটিসন অদুগী ৱাফম খন্নরগনি।

অগষ্টতা ৱেষ্টলেন্দদগী হেলিকোপ্টর লৈবগী মতাংদা অরানবা থৌওং চৎখিবদা মরুওইবা থৌদাং লৌখি হায়রিবা মিচেলবু ঙরাং নুমীদাং ইন্দিয়াদা খুৎশিন্নরকখিবনি। য়ুনাইটেদ অরব এমিরেটসকী ওথোরিটিশিংনা মহাকপু ঙরাং নুমীদাং অথেংবদা ন্যু দিল্লি ফাওবা পুরকখিবনি। নেসনল সিক্যুরিটি এদভাইজর অজিদ দোবালনা মরুওইবা থৌদাং লৌরগা খৃষ্টিয়ন মিচেলবু মতম কয়াগী মমাঙদগী ইন্দিয়াদা পুরক্লবা হোৎনদুনা লাকখিবনি।

এজেন্সীগী পাউনা হায়, সী বি আইগী জোইন্ট দিরেক্টর এ সাই মনোহরনা লুচিংবা টিম অমা দুবাইদা থারগা খৃষ্টিয়ন মিচেল পুরক্লবা থৌরাং লৌখৎখি। কুমজা ২০১৭ তা ইন্দিয়ানা মিচেল খুৎশিন্নরক্লবা য়ু এ ঈদা ওফিসল ওইনা হায়জবা লৈখ্রে।

নিংথম মীফম মমাঙদা লোক সভাগী স্পিকর সুমিত্রা মহাজননা ওল পার্টি মীটিং কৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ০৫ (এজেন্সী): পার্লিয়ামেন্টকী নিংথম মীফম হৌগদৌরিবা দিসেম্বর ১১ দা লোক সভাগী স্পিকর সুমিত্রা মহাজননা ওল পার্টি মীটিং কৌখ্রে। পার্লিয়ামেন্ট মীফমদা অপনবা থোকহন্দনবগী পান্দমদা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী ওইবা মীফম অমা কৌখিবনি।

কুমজা ২০১৯ দা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভাগী মীখল মমাঙদা হন্দক দিসেম্বর ১১ দগী জান্যুৱারি ৮ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা নিংথম মীফম অসিনা অরোইবা মীফম ওইরগনি।

রাজ্য সভাগী চ্যেরমেন এম ভেংকয়া নাইদু অমদি য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টনসু দিসেম্বর ১০ দা পোলিটিকেল পার্টি পুন্নমক্কী ওইবা মীফম কৌখি। নিংথম মীফমদা অপনবা থোকহন্দনবগী মতাংদা কুপ্পা খন্ন-নৈনবা মরুওইবা মীফম অহুম কৌখিবনি হায়রি।

দিসেম্বর ১১ দা ষ্টেট মঙাগী এসেম্লী মীখলগা মরী লৈননা ভোট মশিং থিবগী থবক হৌগদবা মরম্না পার্লিয়ামেন্ট মীফমদা অপনবা থোরকপা য়াই হায়না থাজনরি। মধ্য প্রদেশ, রাজস্থান, ছটিসগর, তেলঙ্গনা অমসুং মিজোরামগী এসেম্লী মীখলগী ফল দিসেম্বর ১১ দা ফংলগনি। হন্দক্কী মীফম অসিদা লৈঙাক্লা ত্রিপল টলাক্কী বিল পাস তৌহন্নবা থৌরাং লৌখৎকদৌরি। মমাঙদা ত্রিপল টলাক্কা মরী লৈনবা ওর্দিনান্স অমা চৎনহনবা লৈখ্রবনি।

ওপোজিসনগী ওইনসু রফেল দিল, লৌমীশিংগী অৱাবা অমসুং সী বি আইগা মরী লৈনবা ৱাফম কয়া হন্দক্কী মীফম অসিদা পুখৎনবা শেম-শারি হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোক্লি।

ওল পোলিটিকেল পার্টি মীটিংগা মরী লৈননা রাজ্য সভাগী চ্যেরমেন এম ভেংকয়া নাইদুনা হায়খি, মমাঙগী মীফমশিংদা ৱাফম অমত্তা মমুৎ তানা খন্নবা ঙমখিদ্রবসু হন্দক্কী অরোইবা মীফম অসিদা অপনবা অমত্তা থোকহন্দনবা হোৎনরি। হিরম অসিগা মরী লৈননা মরুওইবা ৱাফম কয়ামরুম খন্ননবা মহাক্লা দিসেম্বর ১০ দা পোলিটিকেল পার্টি পুন্নমক্কী ওইবা মীফম পাঙথোক্লবা থৌরাং লৌখৎলকপনি।

মীফম অসিদা ওপোজিসন লিদর গুলাম নবি অজাদ অমদি হাউসকী লুচিংবা অরুন জেটলি য়াওগদৌরি। অমরোমদা, নিংথম মীফম মাঙওইননা দিসেম্বর ১০ দা ওপোজিসন পার্টিশিংগী মরুওইবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা গ্রান্দ এল্লাইয়ন্স শেম্নবা থৌরাং লৌখৎকদৌরি। অন্ধ্র প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর চন্দ্রবাবু নাইদুনা মরুওইবা থৌদাং লৌরগা বি জে পিগী মায়োক্তা লৈবা এল্লাইয়ন্স শেম্নবা থৌরাং লৌখৎলকপনি।

মীফম অসিদা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধী, ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জি, হান্নগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর শরদ যাদব, নেসনল কনফরেন্সকী লুচিংবা ফরুক অব্দুল্লা, সমাজৱাদি পার্টিগী লুচিংবা রাম গোপাল যাদব অমদি অতৈ মরুওইবা ওপোজিসন লিদর কয়ামরুম শরুক য়াগদৌরি। লোক সভাগী মীখল নকশিল্লকপগা লোয়ননা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক মায়থিবা পীনবগী পান্দমদা তোঙান তোঙানবা ওপোজিসন পার্টিশিং পুনশিন্নবা থৌরাং লৌখৎলকপনি হায়রি।

হান্নগী কোল সেক্রেটরি য়াওনা মীওই ৩ জেলদা থম্নবা খঙহনখ্রে

ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ০৫ (এজেন্সী): কোয়লা পেকফম পীথোকপগী ৱাথোক্কা মরী লৈননা হান্নগী কোল সেক্রেটরি ঐচ সী গুপ্তা য়াওনা মীওই অহুম দিল্লিগী কোর্ট অমনা চহী ৩ জেলদা থম্নবা ৱায়েল পীখ্রে।

অতোপ্পা ব্যুরোক্রেট অনী কে এস ক্রোফ্রা অমসুং কে সী সমরিয়ানি। স্পেসল জজ ভারত প্রসারনা বিকাস মেটেলস এন্দ পৱার লিমিটেদকী মেনেজিং দিরেক্টর বিকাস পটনি অমসুং অনন্দ মালিকপু চহী ৪ জেলদা থম্নবা অমসুং লুপা লাখ ১ ফাইন ওইনা থিনবা খঙহনখি। সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই) নদি মরাল লৈরবা মীওই মঙাবু চহী ৭ জেলদা থম্নগা লোয়ননা ফাইন থিহন্নবা তকশিন্দুনা লাকখিবনি।

ৱেষ্ট বেঙ্গলগী মোইরা অমসুং মধুজোর কোল ব্লোকশিংদা কোয়লা পেক্লবগী অয়াবা পীবদা অরানবা থৌওং চৎখি হায়বা ৱাফমগা মরী লৈননা কুমজা ২০১২ গী সেপ্টেম্বরদা সী বি আইনা এফ আই আর অমা লৌখৎখি।

নবেম্বর ৩০ দা কোর্টনা হান্নগী কোল সেক্রেটরি ঐচ সী গুপ্তা অমসুং অতোপ্পা মীওই মঙাবু কোল ব্লোক এলোকেসন স্কেনদা মরাল লৈরে হায়না লাউথোকখিবনি। মমাঙ চহীগী মে থাদা মধ্য প্রদেশকী ৱাথোক অমগা মরী লৈননা ঐচ সী গুপ্তবু কোর্টনা চহী ২ জেলদা থম্নবা ৱায়েল পীবা লৈখ্রবনি। সী বি আইগী স্পেসল জজ ভারত পরসারনা মিনিষ্ট্রি ওফ কোলগী জোইন্ট সেক্রেটরি ওইরম্বা কে এস কোফ্রা অমদি মিনিষ্ট্রি অসিমক্কী দিরেক্টর ওইরম্বা কে সী সমরিয়াবুসু মরাল লৈরে হায়না লাউথোকখি।

পনবা য়াবদি, ওক্টোবর ১৫ দা দিল্লিগী কোর্ট অমনা ঝরখন্দগী কোল ব্লোক স্কেনগা মরী লৈননা কোংগ্রেস লুচিংবা নবিন জিন্দাল অমদি অতোপ্পা মীওই ১৪ বেল পীবা লৈখ্রবনি। লুপা লাখ ১ গী পর্সনেল বোর্ন অমসুং চপ মান্নবা শেনফমগী সিওরিটিদা বেল পীখিবা অতৈ মীওইশিং অদুদি, জিন্দাল ষ্টিল এন্দ পৱার লিমিটেদকী এদভাইজর ওইরম্বা অনন্দ গোয়ল, ইসার পৱার লিমিটেদকী এগজিক্যুটিব ভাইস চ্যেরমেন সুসিল কুমার মারু, নিহার ষ্টোকস লিমিটেদকী দিরেক্টর বি এস এন সুরিয়নরায়ন, কেঈ ইন্টরনেসনলগী চীফ ফাইনান্সিএল ওফিসর রজিব অগরৱাল অমসুং গুরগাউনদা লৈবা গ্রীন ইনফ্রাগী ভাইস প্রসিদেন্ট সিধার্থ মদ্রানি। হিরম অসিগা মরী লৈননা ফাগৎখিবা মীওইশিংগী মনুংদা কে রামাকৃষ্ণ প্রসাদ, রজিব জেন অমসুং গ্যান স্বারুপ গার্গ য়াওরি। ঝরখন্দগী অমর কোন্দা মুর্গাদঙ্গাল কোল ব্লোক্তা কোয়লা পেক্লবগী অয়াবা পীথোকখিবগীদমক প্রিভেন্সন ওফ মনি লোনদরিং এক্টকী মীওইশিং অসি ফাখিবনি।

সী বি আইগী ৱাথোক লোইশিন্নবা হোৎনখিবনি : সেন্টর

ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ০৫ (এজেন্সী): সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই) গী মকোক থোংবা ওফিসর অনী অঙম তান্নদুনা খৎনরকপদগী তঙাইফদনা খুৎ থিংজিনখিবনি হায়না গভর্ণমেন্টনা ঙসি সুপ্রীম কোর্টতা ফোঙদোকখ্রে।

সী বি আইগী দিরেক্টর অলোক বর্মা অমদি মহাক্কী দেপ্যুটি রাকেস অস্থনাবু তঙাইফদনা ছুটিদা লৈহনখিবনি হায়না এটোর্নি জেনরেল কে কে ভেনুগোপালনা ফোঙদোকখি।

অলোক বর্মাবু সী বি আইগী দিরেক্টর ওইনা থৌ পুহনখিদবা থৌওং অদু দিল্লি স্পেসল পুলিস ইষ্টাব্লিসমেন্ট এক্ট ১৯৪৬ কী মায়োক্তা লৈবা থৌওংনি হায়না সিনিয়র এদভোকেট ফালি নারিমাননা সুপ্রীম কোর্টতা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

মহাক্লা হায়খি, এস্মেন্দ তৌরবা এক্টকী মতুংইন্না প্রাইম মিনিষ্টর, সুপ্রীম কোর্টকী চীফ জষ্টিস অমদি লোক সভাগী ওপোজিসন লিদর য়াওবা কম্মিটি অমগী অয়াবা য়াওরগা সী বি আইগী দিরেক্টর ফম লৌথোক্কদবনি। কম্মিটিগী অয়াবা য়াওদনা অলোক বর্মা মফম লৌথোকখিবদু লোগী মায়োক্তা লৈবা থৌওংনি।

ওক্টোবর ২৬ তা য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টনা নোটিফিকেসন অমা থোক্তুনা সী বি আইগী দিরেক্টর মফম লৌথোকখি। থৌওং অদুবু শিংনরদুনা সুপ্রীম কোর্টতা অলোক বর্মানা পিটিসন অমা ফাইল তৌরকখি। বর্মাগী মায়কৈদা লেপখিবা সিনিয়র এদভোকেট নারিমাননা হায়খি, সী বি আই দিরেক্টরগী ফম মতম শুদনা হোংদোক হোংজিন তৌবা য়াদে। প্রাইম মিনিষ্টরনা লুচিংবা খ্বাইদগী অৱাংবা থাক্কী কম্মিটি অমনা ফম অসি খনবনি। মরম অদুনা করিগুম্বা ফম হোংদোক হোংজিন তৌবা তারবসু কম্মিটিগী অয়াবা হান্না লৌফম থোকই।

সেন্ট্রেল ভিজিলেন্স কম্মিসন (সী ভি সী) না চৎখিবা ইনভেষ্টিগেসনগী রিপোর্ট সী বি আইগী দিরেক্টর অলোক বর্মাদা ফংহনগদবনি হায়না সুপ্রীম কোর্টনা খঙহনবা লৈখ্রবনি। ইনক্বারিগী রিপোর্টতা অলোক বর্মাগী মায়োক্তা লৈবা ৱাফম কয়ামরুম য়াওরি। রিপোর্টতা য়াওরিবা ৱারোলশিং কুপ্পা নৈনরবা মতুংদা করি পায়খৎপা য়াবগে হায়বদু য়েংশিনগনি হায়না চীফ জষ্টিস রঞ্জন গোগোই, জষ্টিস এস কে কোল অমসুং জষ্টিস কে এম জোসেফকী বেঞ্চনা ফোঙদোকখি। সেন্টরগী মায়মৈদা লেপখিবা এটোর্নি জেনরেল কে কে ভেনুগোপালদা সিল তৌরবা সী ভি সীগী রিপোর্ট পীশিনখি। বেঞ্চ অদুনা হায়খি, রিপোর্টতা য়াওরিবা ৱারোলশিং কনাগুম্বা মীওই অমত্তা খঙহন্দনবা থৌরাং লৌখৎকদবনি। সী ভি সীনা পীরকখিবা রিপোর্টকী মায়োক্তা সেন্টর নৎত্রগা অতোপ্পা পার্টি অমত্তনা পাউখুম পীরকপা য়ারোই।

পাকিস্থান্না কাপশিল্লকপদা লান্মী ১ শোক্লে

শ্রীনগর, দিসেম্বর ০৫ (এজেন্সী): জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী বরামুলা দিষ্ট্রিক্তা পাকিস্থানগী লান্মীশিংনা লাইন ওফ কন্ট্রোল (এল ও সী) দা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা লান্মী অমা অশোক-অপন নংলে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী ছোর্স পল্লদুনা এজেন্সীগী পাউনা হায়, য়ুরি সেক্তরগী কমলকোট এরিয়াদা নোংমৈ কাপ্পদবা হায়না কুমজা ২০০৩ দা য়ানখিবা ৱাফম অমা থুগায়দুনা পাকিস্থান আর্মিনা ঙসি নোংমৈ রাউন্দ কয়ামরুম কাপশিল্লকখিবনি। ইন্দিয়ানসু খুৎ হন্দুনা নোংমৈ কাপখিবগা লোয়ননা নাকল অনী অকনবা মওংদা খুৎ থোক্লুখি। থৌদোক অদুদা লান্মী অমা শোকপদগী আর্মি হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নরি।

অমরোমদা, জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী পুলৱামাদা থোকখিবা খুৎ থোক্লবগী থৌদোক্তা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা টেররিষ্ট অনী হাৎখিবা লৈখ্রবনি।

লৈখিদ্রবা টেররিষ্ট অনীগী মশক মমিং খঙবা ঙমদ্রি। য়ুমশকৈশা নুমীৎতা লাস্কর-ঈ-তোইবাগী টেররিষ্ট মহমদ নবিদ জাদ হাৎখ্রবা মতুংদা থৌদোক অসি থোকখিবনি। কাশ্মির মোনিটরগী এদিটর সুজাট বুখারি হাৎখিবগী মতাংদা ফানবা হোৎনদুনা লাকখিবা মহমদ নবিদপু বদগাম দিষ্ট্রিক্তকী মফম অমদা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা হাৎখিবনি। হায়রিবা মীওই অসি তোঙান তোঙানবা কেস কয়াদা চেন্নবগীদমক পুলিসনা ফারগা থল্লিঙৈদা পুলিস কষ্টদিদগী নাম্থোক্তুনা চেনখিবগী থৌদোক লৈখ্রে।

পাকিস্থানগী মুলতানদা পোকখিবা মীওই অসি কুমজা ২০১৪ গী জুনদা কুলগাম দিষ্ট্রিক্তকী জারিপোরাদা ফাখি। ফেব্রুৱারি ৬ তা মহাক শ্রীনগরগী হোস্পিটাল অমদা মেদিকেল চেক অপ তৌনবা পুবদা খোঙলোয় অনীগা লোয়ননা নাম্থোকখিবগী থৌদোক অমসু লৈখি। লৈবাকপোকপা নুমীৎতসু জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী কুলগামদা অয়ুক অঙনবদা থোকখিবা খুৎ থোক্লবগী থৌদোক অমদা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা টেররিষ্ট অনী হাৎখি। থৌদোক অদুদা সিক্যুরিটি পর্সনেল অমসু শিখি।

জি সেট-২ মায় পাক্কা থাগৎখ্রে

বেঙ্গলুরু, দিসেম্বর ০৫ (এজেন্সী): ব্রোদ বেন্দ সার্ভিস ফগৎহন্নবগী পান্দমদা ইন্দিয়ানা ঙসি জি সেট-২ মায় পাক্কা থাগৎখ্রে। ফ্রেঞ্চ গুইয়ানাদগী এরিয়নস্পেস রোকেটনা সেটলাইট অদু ঙসি অয়ুক অঙনবদা থাগৎখিবনি। হিরম অসিগী মতাংদা ইন্দিয়ন স্পেস রিছার্স ওর্গনাইজেসন (আই এস আর ও) গী চ্যেরমেন কে শিবাননা হায়খি, ইনিদয়াগী ওইনা খ্বাইদগী চাউবা, খ্বাইদগী লুম্বা অমসুং খ্বাইদগী মতিক ময়াই লৈবা সেটলাইট অসিনা মরম ওইরগা ব্রোদ বেন্দ সার্ভিসকী ফীভম ফগৎহনবা ঙম্লগনি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা সাইন্টিষ্টশিং থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে।

বিজয় মাল্যানা লোনগী শেনফম শিংগে হায়না বেঙ্কশিংদা ফোঙদোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ০৫ (এজেন্সী): বেঙ্কতগী লোন লৌরগা চেনখিবা কিংফিশর এয়র লাইনগী মপু বিজয় মাল্যানা বেঙ্কশিংদা লোন শিংবগী ৱাফম ফোঙদোরকখ্রে।

ইন্দিয়াদা খুৎশিন্নরক্লবগী মতাংদা য়ুনাইটেদ কিংদমগী কোর্ট অমনা ৱায়েল পীদ্রিঙৈগী মমাঙদা মহাক্লা লোন শিংবগী ৱাফম ফোঙদোকখিবনি। মশাগী চহী ৬২ শুরবা কিংফিশর এয়র লাইনগী মপু অসি মমাঙ চহীগী এপ্রিলদা ফাখি। নমথাক তৌরগা লুপা ক্রোর ৯০০০ লৌথোকখিবগী মরালদা ফাখিবা মাল্যাবু বেলদা থাদোকখি। মতমদুদগী হৌনা মহাকপু ইন্দিয়াদা খুৎশিন্নহন্নবা থৌরাং লৌখৎতুনা লাকখি।

ট্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা মাল্যানা হায়খি, এভিয়েসন টর্বাইন্দ ফ্যুঅল (এ টি এফ) কী মমল ৱাংখৎলকপা মরম্না কিংফিশর এয়র লাইন চলাইনবা হোৎনবদা বেঙ্কশিংদগী পুরুবা শেনফম লোইনমক চাদিং তৌখিবনি। লোন লৌরুবা শেনফম অদু শিংনবা থৌরাং তৌরে। পোলিটিসিয়ন অমসুং মীদিয়া রিপোর্টশিংনা অরানবা ৱাফম কয়া শন্দোক্তুনা মিংচৎ থিহন্নবা হোৎনরকপগী থৌওং য়ানিংদে হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি। হৌজিক হৌজিক লন্দনদা লৈবা ৱেষ্টমিনষ্টর মেজিষ্ট্রেটকী কোর্টতা মাল্যাগী এক্সট্রাদিসন ট্রাইয়ল চথরি। দিসেম্বর ১০ দা কোর্টকী ৱায়েল পীরগনি।

ꯗꯁꯥ ꯌꯦꯡꯖꯔꯤ/দশা য়েংজরি



মখাগী হিরমশিং অসিদা কুঠী অমদি খুবাক ময়ি য়েংজরি লোয়ননা ফনবা তানবিয়ু। অঙাংগী মহৈ-মশিং, দশা-লাংফম, পক্লবা থবক, লাইরিক পানিংদবা, ঙাংনবা ঙমদবা, নিশাদা লাইচুবা, মোবাইলদা উংবা, শুফম-নোমফম খঙদবা, দাউ য়াদবা, শেল তুঙদবা, চানবা করবার, পক্লবা লক্কিষ্টোন, প্রমোসন, ভোট লেপ্পা, লমগী কেশ থেংনবা, য়ুম-ইষ্খোল, গাড়ী, য়ুম্বাল মহী লাংবা, লুহোংবা থিন্থবা, অঙাং ওইবা ঙমদবা, মীনা কল্লক-য়েংথিবা, হকচাং অনাবনা য়েংপা, পোৎশম-যাদু লৈবা, ঙাওরি-ফৈরি তৌবা, অসিনচিংবা। মতম অয়ুক পুং ৭ তগী ১২.৩০ ফাওবা লৈবাকপোকপা য়েংজদে।

***মীয়ামগী:* জ্যোতিষ মহাধাষি**

JM Dr Ph. Rajendra

Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai,
Academy Road, Imphal

HL-P/5763/12/3-1Jan.

OFFICE OF THE IMPHAL MUNICIPAL CORPORATION

ꯅꯣꯇꯤꯁ/NOTICE

Dated : 05/12/2018

No.IMC/96/N-T/Adv./2016-17/News Approval - অসিনা মরম ওইদুনা মরী লৈনবা মীওইশিং খঙহল্লি মদুদি Women Vendor No. Naga Nullah, Shed No. 6, Licence No. 38, Seat No. 29 শ্রী/শ্রীমতি Irom Ibethoi Devi W/o I. Mangoljao Singh of Chingamakha Chanampukhi Mapal গী মীংদা পানবা পোৎফম অসি Licence Holder মশানা শ্রী/শ্রীমতি Maimom Ronibala Devi W/o Ksh. Surjit Singh of Malom Tulihal Awang Leikai Licence গী মীং ওনবীরো হায়দুনা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা Licence গা মরী লৈনবা মীওইশিংনা অপতি তৌনিংবা লৈরবদি নোটিশ অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ১০ (তরা) নিগী মনুংদা অইবা চেনা অপতি তৌরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা অপতি লৌরোই অমদি Licence গী মীং ওনখ্রগনি।

Sd- **Assistant Municipal Commissioner**
Imphal Municipal Corporation

HL-P/5782/6

ꯊꯥꯒꯠꯄ/থাগৎপা ফোঙদোকচরি Piles কী ওজা Abdul Hak অমদি মহাকপু পুন্সি চুপ্পা কাওজরোই

চহী ৭ Piles নাবদগী য়াম্না ৱানা খাংলকখি। হকচাংদা নুংঙাইতবশিংদি : খোঙ হাম্বা খুদিংগী ঈ য়াওবা, চেকখাইরগা থুপ্পা, ফম্বদা য়াম্না নাবা, মরক-মরক্তা শৌজদা হাক্লৎচবা, চক-চক থিনবা, ব্রি-ব্রি চৎপা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, কুইনা চংবা, শৌজ মনুং-মপান্দা পোম্বা, মসিনা মরম ওইরগা অৱাবা খাংদুনা লাকখি। মমৈদা ওজা Kabiraj Abdul Hak, Cont. No. 8794429681 দা চত্তুনা তান্নজবদগী ওজাগী হিদাক চাবা অমদি তৈবা তৌজবদগী ঐঙোন্দা লৈরম্বা Piles অমদি অৱাবশিং পুম্নমক মপুং ফানা ফজরে। মতম চুপ্পদা মীয়ামগী শেবা তৌবা ঙম্বা ওইহনবীসনু হায়না মপুদা থৌনিজরি।

ওজাগী লায়েংফমশিংদি ঃ

1. Wangoi SBI Awang : 6.30 a.m to 4 p.m.
2. 7 MR Khabeisoi Gate - 10 a.m. to 4 pm.
(Saturday, Sunday & Monday).

থাগৎচরিবা : **CH. AMUMACHA**
Naoriya Pakhanglakpa

HL-P/5750/6

IN THE COURT OF THE SUB: DEPUTY COLLECTOR: IW: LAMSANG

Ref:- Mut. Case No. 1185/SDC/IW-L/2018

1. Huirem Inaocha Singh	S/o (L) Bira Sing Singh of Lairensajik Awang Leikai.
2. –Do– Kesho Singh	S/o (L) –do– of –do–.
3. –Do– Amutombi Singh	S/o (L) –do– of –do–.

-Petitioners

-Vs-

Late Haorokcham (N) Baruni Devi W/o Beikul Singh of Lairensajik.

-O.P. Party

ꯅꯣꯇꯤꯁ/NOTICE

The 4/12/2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার হাওরোকচম নিংঙোল বারুনি দেবী পতি বৈকুল সিংহ, সাং লাইরেনশজিককী মিংদা লৈবা ইঃ ওঃ তহশিলগী খুল নং ৪৮-লাইরেনশজিককী অনৌবা পাট্টা নং ৩৬০, দাগ নং ১১৯০ অমসুং এরিয়ানা ০.৪২ চাওবা ইষ্খোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারিশিং অসিনা মখোয়গী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা ইষ্খোল অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

Sd/- **N. Shantabir Singh**
Sub-Deputy Collector IW: Lamsang

HL-P/5781/6

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, KAKCHING

Ref:- Mut. Case No. 474/SDC/K of 2018

Karung Loken Kom S/o (Late) K. Ningthem Kom of Mantak Village.

... Petitioner

-VS-

Thangboi Kom S/o Ningthem Kom of Mantak Village.

... Opposite Party

ꯅꯣꯇꯤꯁ/NOTICE

Kakching, dt. 3-12-2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি SDC/Kakching, Kakching District অসিগী মনুংদগী ককচিং তহশীলগী মনুংচন্না লৈবা খুল নম্বর 64-Mantak, Patta No. 525 (New) Dag No. 19/3052 গী area Hectre 0.3238 চাওবা Taothabi লৌফম অসিগী Pattadar Thanboi Kom S/o Ningthem Kom of Mantak Village দা লৈবা অসি মৃত ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগী মমীংদা লৈবা লৌফম অসি মথক্তা পল্লিবা পেটিসনর অসিগী মমীংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অদুনা লৌফম অসিগী মরিদা কনাগুম্বনা য়েৎপিনিংবা (আপতি) তৌনিংবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোংবা নুমিত্তগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা মশা লাকপীদুনা অইবা চেনা কোর্ট অসিদা ৱাকৎ চে পীশিনবিরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ অমত্তা কোর্ট অসিনা লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না নমা ওনখ্রগনি।

Sd/- **M.R. Shah**
Sub-Deputy Collector
Kakching

HL-P/3718/6

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR; IMPHAL WEST - PATSOI

Ref:- Mut. Case No. 1031/SDC/IW(P) of 2018

1. Taorem Deben Singh S/o (L) Mangi Singh of Changangei.
2. –Do– Inao Singh S/o (L) –do– of –do–.
3. –Do– Tomba Singh S/o (L) –do– of –do–.

-Petitioners

-Vrs-

Late Taorem Mangi Singh S/o (L) Khomdon Singh of Changangei.

-Deceased Pattadar

ꯅꯣꯇꯤꯁ/NOTICE

5/12/2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবশিংগী মফমদা পাউচেগী খুৎথাংদা খঙহঞ্জরি। ই: ও: পাৎশোই তহশিলগী খুন নম্বর ৭৮-চঙাঙৈগী পাট্টা নম্বর ৪৪৬ (অরিবা), ১৯৭ (অনৌবা) দাগ নম্বর ১২৬১ গী এরিয়া ০.০৭ একর চাওবা ইষ্খোল অসিগী পাট্টাদার অসি মৃত ওইখিবনা মথক্তা পল্লিবা দংকারি নং (১), (২) অমসুং (৩) অসিনা মৃ: পাট্টাদার মপাগী স্বর্ত্তদা অমদি দখলগী মতুংইন্না নমা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্ত কোর্টা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা য়েৎপীনিংবা মৃ: পাট্টাদারগা মরী লৈনবা মীওইশিং অমদি মচা-মশুশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরগদি লাক্লিবা তাং ১২/১২/২০১৮ ইংগী অয়ুক পুং ১১.০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থাবিদুনা য়েৎপীহৌবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই অমদি কোর্টকী হৌনবী হুকুম চৎথরগনি।

Sd/- **Kherdananda P.**
Sub-Deputy Collector, Imphal West, Patsoi

HL-P/5786/6

[illegible] ꯔꯤꯌꯥꯖꯨꯗ꯭ꯗꯤꯟꯕꯨ ꯊꯥꯒꯠꯄ

রিয়াজুদ্দিন বুয়াবু থাগৎচরি

Contact Nos. ☎ **9856797338, 7085494783**

ঐগী হকচাংদা নুংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাঙথোংদা পোল্লগা মচুম তাবা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী অমাঙথোংদগী ঈ কাপথোরকপা, ঈ তাখিবা অদুনা মরম ওইরগা হকচাং শোন্থরকপা অমদি হকচাং চোকথরগতা লৈবা, খোঙ হাম্বদা য়াম্না ৱাবা, ঈশিং চৎপদা শাবা অমদি মতম কুইনা চংবা, নিঙ্গাংনা ফম্বদা অমাঙথোংদা নারগা ফম্বা ঙমদবা, শা-ঙা চাবা য়াদবা, চারগনা চিকপা অমসুং খোঙ হাম্বা য়াম্না নুংঙাইতবা অমদি ঈ তাবা হেনবা, পুক্তা গ্যেষ্ট্রিক কারগা ইথন থনগৎলগা লৈবা, খ্বাঙ য়াংলেন নাবা, থবাক নাবা, ঙকশম মরী অমদি লেংজুম অনীমক নাবা, হৈনিং শিংনিংদবা তৌরম্বা অদুবু **এম ভি রিয়াজুদ্দিন বুয়ামযুম ☎ ৯৮৫৬৭৯৭৩৩৮, ৭০৮৫৪৯৪৭৮৩** দা চৎলগা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবা পুম্নমক মপুগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজাবু হন্না হন্না থাগৎচরি।

লায়েংফম ঃ 1. Mayang Imphal Konchak Bazar
2. Moreh Bazar.

থাগৎচরিবী ঃ **MISS AMITA**
Lilong Mayai Leikai

HL-P/5677/6

ꯃꯤꯇꯩ ꯂꯥꯌꯦꯡ/মীতৈ লায়েং

য়া শৎতনা লায়েংবা, য়াগী কেন্সর মায় পাক্কা লায়েংজরি। এন ইবোহল মীতৈ
চীংমৈরোং মনীং লৈকায় লম্বী চংফম মচিন, নিয়র এসেমব্লী কমপ্লেক্স



১। হৌজিক্কী মতম অসিদা মীয়াম্না মীপাইনরিবা বি.পি. হায়বসি ইমালোন্দা লাইয়ৈ য়ৈবা হায়বনি। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুনা অসুম চৎলম্বদগী বোম তুনা শিরে, তুমখিবদগী হৌগৎলক্তরে হায়বদি ঐগী লোলদা লাইয়ৈ য়ৈদুনা শিরে হায়বনি। হৌজিক্কী মতমগী লোন্দদি বি.পি. পোকখায়দুনা শিরে হায়না খঙনৈ। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুশিংনা থম্বীরম্বা হীদাকশিংনা লায়েংদুনা কনবা ঙম্লে। অকুপ্পা মরোল মীতৈ লায়েংদা নৈনবীয়ু, তান্নবীয়ু।

২। হার্টকী লায়না হায়বদি শ্বর হোনবা নুংঙাইতবা, শদৌ থোংবা, হকচাং চোকথবা, তুম্বা য়াদবা, অকি অখঙ পোকপা অসিনচিংবা লাইওং কয়া অসি হার্টকী ওইবা প্রোব্লেমনি। অদুবু ৱাবীরুনু মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা ফহনবা ঙম্লে।

৩। হৌজিক্কী মতম খুৎলায়গী পাঙ্গলনা চাংয়েং তৌবদা অনাবগী লাইওং পুথোকপা ঙমদবা লায়না লাইওং কয়া মীতৈ লায়েংনা মায় পাক্কা লায়েংজরি। নুংশীৎকী লায়না (Gastric)।

৪। Make-up (Parlour) তৌবদা চান্নদবদগী মায়দা allergy তৌবা অসি মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা কোকহনবা ঙমজরে।

৫। মীওইবগী পুন্সিদা য়া হায়বা শায়রগা চান্নরীবা অসিবু পুন্সিগী লেঙদ্রবা পামেল অমা ওইহনবীয়ু। অদোমগী হকচাঙ ফহনবীয়ু। য়ানা মীওইবগী থৱায়নি। য়া নাবা অমসুং য়াদা মুবা তিল চাবা হোবা, য়ারীদা পোম্বা, নাই চাবা, ঈ থোকপা অসিনচিংবা কয়া শত্তনা অমদি তুংদসু অমুক হৌহন্দনা মায় পাক্কা লায়েংজরি।

৬। মথক্তা পঞ্জখিবা লায়নাশিং অসিগী মথক্তা মখাদা পঞ্জরিবা লায়নাশিং অসিসু ঐখোয়না চাংয়েং কয়া তৌজদুনা নীঙথিনা লায়েংজদুনা মায় পাক্কা ফহনবা ঙমজরে। লায়নাশিং অদুদি :- নুংশং নাবা, লাই ওক্লবা, ঈশিং পুকচৎপা, নুপীগী থাগী খোঙকাপ শোইবা, ফীঙৌ চৎপা, ঈ-নুংশিৎ, লিবর, চাকখাউ নাবা, এজমা হারা, হুইনা চিকপা, লিন্না চিকপা, সাইনস, তোন্সিন অমদি কংখুনচিংবা লায়না কয়া, লালচাক-ফম্বী শোনবা, খোঙয়া শাবা, হকচাংদা ঈপুম নাইপুম লৈবা (without surgery) ফহনবা ঙম্বা হীদাক, খ্বাঙ নাবা, মটু লৈবা, অপোম্বা খুদিংমক, নুংশিৎ চংবা (হিংচাবী চংবা), মীৎ-নাপু কাবা, খোঞ্জেল শীথবা (voice down), ঈ-য়াই হকচাং নোয়বা ফনবা অমদি মশা পাবা নোয়নবা, নাহি তাবা অমদি ঊনশাগী লায়না কয়া মায় পাক্কা ফহনবা ঙমজরে।

অকুপ্পা মরোল খঙবীনিংবশিংনা মীতৈ লায়েং ইবোহল, সনাতোম্বা, গোপাল অমসুং মোধুবলাদা তান্নবীয়ু।

Phone No. **9612225582**

Regd. No. 4277 of 82 April
DR. N. IBOHAL MEITEI,
State & National Awardee

HL-B/5005/20/11-19/12